

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*বিজয় হজারে ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মমাঙ চহীগী রন্নর্স অপ তাহৌবা সৌরাষ্ট্রগী টিমদা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নেসনেল টিমগী টেষ্ট বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা*

*সিঙ্গাপোর গ্রান্দ প্রিদা ফেরারি দ্রাইভর সেভাষ্টিয়ান ভিটেলদগী পোইন্ট ৪০ হেন্দুনা মকোক থোংলিবা মার্সিদিস দ্রাইভর ইংলেন্দগী লেৱিস হেমিলটন*

## মণিপুরদগী হৌখিবা নুপী বোক্সর মেরি কোমনা আইগেরিমবু মায়থিবা পীদুনা সিলিসিয়ান ওপন বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*গ্লিৱিস, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ*

মণিপুরদগী হৌখিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন বোক্সর এম সি মেরি কোমনা কজাকস্থানগী বোক্সর আইগেরিম কাসসানায়েভাবু ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ১৩শুবা সিলেসিয়ন বোক্সিংগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

পোলেন্দগী গ্লিৱিসতা পাঙথোকপা ১৩শুবা সিলিসিয়ান ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখিবী নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা কাজাকস্থানগী মমিং লৈরবী বোক্সর আইগেরিম কাসসানায়েভাবু য়াম্না লায়না ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

বোক্সর এম সি মেরি কোমনা গোল্ড ফংবা ঙমখিবসিনা ১৩শুবা সিলেসিয়ান ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী লাইট ফ্লাই (৪৫–৪৮) কে জিগী কাংলুপকি সেনিয়র কেটেগোরি ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড মেদল ওইরি।

সেলিসিয়ান ওপন বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ টুর্নামেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবসিনা মেরি কোমগী শান্নবগী কেরিয়রদা চহীসিগী ওইনা অহুমশুবা গোল্ড মেদলনি।

মশাগী চহী ৩৫শুরবী ইনিদাগী বোক্সর মেরি কোমনা ঙসি শান্নখিবা সিলেসিয়ান ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল বাউথতা মঙোন্দগী হেন্না ৱাংবা ওপোনেন্ট ওইখিবী কজাকস্থানগী বোক্সর আইগেরিমবু লাকশিন্না শান্নবা ঙমখি।

মেরি কোমনা ফজবা পর্ফোমেন্স পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী কোচ রাফেল্লে বরগামাসকোনা মেরি কোমনা শান্নখিবা ঙসিগী ফাইনেল বাউথ অদুদা মহাক্কি ফজরবা ষ্ট্রাটিজি শিজিন্নদুনা নিংথিনা শান্নখি হায়না ফোঙদোক্লি।

চহীসিগী ওইনা মহাক্কি অহানবা গোল্ড মেদল দেল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ওপনদা ফংখি। অষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসতনা চহীসিগী ওইনা মহাক্কি অনিশুবা গোল্ড ফংবা ঙমখিবনি। মসিদা নত্তনা বুলগারিয়াদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রানজা মেমোরিয়েল টুর্নামেন্টতা সিলভর মেদল ফংখি।

এম সি মেরি কোম বোক্সিং মশান্নদা হৈথোই শিংথোইবা পর্ফেমেন্স পীবা ঙমদুনা ইনিদয়াগীদমক মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবগীদমক মহাকপু 'মেগনিফিসেন্ট মেরি' হায়নসু মীংথোন পীখ্রবা বোক্সরনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা বাউথ অমদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর মনিসাদি য়ুক্রেনগী বোক্সর ইভান্না ক্রুপেনিয়াগী মখুৎতা ২–৩দা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেদল ফংহৌরে।

পনবা য়াই পোলেন্দগী গ্লিৱিসতা পাঙথোকপা ১৩শুবা সিলিসিয়ান ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী সেনিয়র কেটোগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা ব্রোঞ্জ মেদল মরি ফংখ্রবনি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদু কে জি৬০গী কাংলুপতা এল সরিতা দেবী, কে জি ৫১গী কাংলুপতা রিটু গ্রেৱাল, কে জি ৬৯গী কাংলুপতা লোভলিনা বোরগোহেন অমসুং কে জি ৮১গী কাংলুপতা পুজা রানিনা লৌখিবনি।

য়ুথ চেম্পিয়নসিপতা কে জি৫১গী কাংলুপতা জ্যোটি গুলিয়া আর্জেন্টিনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকি ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।



*নুপীগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড ফংখ্রবী এমসি মেরি কোম*

## ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন জপানগী কেন্টো মোমোটানা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলনা স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ফংখ্রে

টোকিও, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ

জপানগী কোনুং টোকিওদা চখরিবা য়ুএস দোলর ৭০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা জপান ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন জপানগী কেন্টো মোমোটানা লৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলসকি টাইটলনা স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ফংখ্রে।

জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা অহুমশুবা সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটানা থাইলেন্দগী খোসিট ফেটপ্রাদাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরন্নগা টাইটল লৌখি।

পনবা য়াই জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা দেনমার্ককি ভিক্টর এজেলসেনবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–১৮, ২১–১১দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা থাইলেন্দ খোসিট ফেট প্রবাটনা মহাক্কি সেমি ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী লী দোঙ কিয়ুন বু ২১–১২, ২১–১৬দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম হৌরকপদা লম্বা মান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা মোমোটানা ফজবা হেনখিবদগী গেম অদু ২১–১৪দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

অনিশুবা গেমদদি হৌবদগী জপানগী শান্নরোই কেন্টো মোমোটানা থাইলেন্দগী খোসিদ ফেটপ্রাদাবপু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমখিবদগী ২১–১১দা গেম অদু মায় পাক্তুনা নুপাগী সিঙ্গল টাইটল লৌবা ঙমখি।

জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকি ফাইনেল মেটচতা তরুকশুবা সিদেদ স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা নিপানশুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু গেম ২–১দা থোইরন্নগা টাইটল ফংখি।

জপানগী নোজোমি ওকুহারানা মমাঙদা সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই অয়া ওহোরিবু ২১–১২, ২১–১২তা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা অমরোমদা স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা মহাক্কি সেমি ফাইনেলদা মঙাশুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন য়ুফৈবু ২১–১২, ২১–১৩দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুংদা স্পেনগী মারিননা য়াম্না নক্কবা স্কোরদা ২১–১৯দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনিশুবা গেমদা জপানগী সটুলর নোজোমী ওকুহারানা কন্না হোৎনরক্তুনা স্পেনগী মারিনবু ২১–১৭দা থোইরগা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমমম মান্নরা চৎখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী দিসাইদিং গেমদা রিও ওলিম্পিক গেমসকি গোল্ড মেদলিষ্ট স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী ওকুহারাবু য়াম্না লায়না ২১–১১দা থোইদুনা জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নমেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকি ফাইনেল মেটচ তা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস ফরনালদি গিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জয়া সুকামুলগোনা অনিশুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী লী জুনহুই অমসুং লিউ য়ু চেনবু ২১–১১, ২১–১৩দা মায়থিবী পীরন্নগা কাংলুপ অসিগী টাইটল লৌখি।

জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকি ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র জপানগী য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সয়াকা হিরোটানা অহুমশুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী চেন কিং চেন অমসুং জিয়া য়িফানবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–১৫, ২১–১২তা থোইরন্নগা টাইটল ফংখি।

জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকি ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী ঝেঙ সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংনা অনিশুবা সিদেদ ওইরিবা চাইনাগী অতোপ্পা পেয়র ৱাঙ য়িলু অমসুং হুৱাঙ দোঙপিঙবু ২১–১৯, ২১–৮দা মায়থিবা পীরন্নগা কাংলুপ অসিগী টাইটল ফংবা ঙমখি।



*নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা জপানগী কেন্টো মোমোটা (ওই) অমদি স্পেনগী কেরোলিনা মারিন*

## কেনিয়াগী নুপা এঠলিট ইলিয়ুদ কিপচোগেনা মরাথোনগী অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে



*বর্লিন, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ*

কেনিয়াগী নুপা এঠলিট ইলিয়ুদ কিপচোগেনা জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা ঙসি পাঙথোকখিবা মরাথোন লমজেলদা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা টাইটল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা কেনিয়াগী এঠলিট ইলিয়ুদ কিপচোগোনা বর্লিন মরাথোন লমজেল অসিদা মহাক্কী মশামক্কী হান্না থমখিবা রেকোর্দ থুগাইজদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা পুং ২ঃ০১.৪০ সেকেন্দদা চেন্দুনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

কেনিয়াগী এঠলিট অসিনা চেনখিবা মতম অদু কুমজা ১৯৬৭ দা দেরেক ক্লেটোননা থম্লম্বা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখি। লোয়ননা বর্লিন মরাথোন অসিগী অহুম্লকশুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৪২.১৯৫ কিলোমিটরগী লমজেল অদুদা কিপচোগেনা কিলোমিটর ২৫দি পুং ১ঃ০০.১৭ সেকেন্দদা চেন্দুনা চহী ৪গী মমাঙদা দেনিস কিমেট্টোনা থম্লম্বা রেকোর্দ অদুবু থুগাইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০১৬ তা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা কেনিয়াগী এঠলিট ইলিয়ুদ কিপচোগেনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

কিপচোগেনা কুমজা ২০১৩গী হেমবর্গতা পাঙথোকখিবা মরাথোন লমজেলদা শরুক য়াবদগী ঙসি ফাওবা দিসিপ্লিন অসিদা দোমিনেট তৌদুনা লৈবা ঙল্লি। মহাক্না কুমজা ২০০৩ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পয়ন্সিপকী মিটর ৫০০০গী লমজেলদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি অদুগা ইভেন্ট অসিগী কুমজা ২০০৭ দা পাঙথোকখিবদনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

কেনিয়াগী এঠলিট কিপচোগেনা কুমজা ২০০৪ অমসুং ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসশিংদা ব্রোঞ্জ অমসুং সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

কেনিয়াগী এঠলিট কিপচোগেনা মমাঙদা লন্দন মরাথোনগী চেম্পিয়ন অহুম্লকসু ওইবা ঙমখ্রে। মহাক্না রোট্টরদাম অমসুং চিকাগো মরাথোনগী টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা মরাথোন ১১ শরুক য়াখিবদা ১০ রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বগী রেকোর্দসু থম্বা ঙল্লি।

## পুরভ অমদি রমিজনা ইষ্টানবুল চেলেঞ্জর্সকী দবলস টাইটল লৌখ্রে

*ইষ্টানবুল, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ*

টর্কিগী কোনুং ইষ্টানবুলদা চখরকপা য়ুএস দোলর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ইষ্টানবুল চেলেঞ্জর্সতা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী রমিজ গুনেইদনা দবলসকী টাইটল লৌখ্রে।

ইষ্টানবুল চেলেঞ্জর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী রমিজ জুনেইদনা কজাখষ্টানগী টিমুর খাবিবুলিন অমসুং য়ুক্রেনগী ৱ্লাদিস্লেভবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরন্নগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

অহানবা সেট পুরভ অমসুং রমিজনা টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–৪) দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা কজাখষ্টান অমসুং য়ুক্রেনগী পেয়র অদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং সেট ওইখিবা সুপর টাই ব্রেক্তা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী রমিজ জুনেইদনা ১০–৭ দা থোইরন্নগা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টাইটল লৌবা ঙমখিবা পুরভ রাজা অমসুং রমিজনা এটিপি পোইন্ট ৯০ ফংবগা লোয়ননা শেল ওইনা য়ুএস দোলর ৪,৬৫০ ফংখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবা কজাখষ্টান অমসুং য়ুক্রেনগী পেয়রনা এটিপি পোইন্ট ৫৫ গা লোয়ননা য়ুএস দোলর ২,৭০০ ফংখি।

## সুল্টান ওফ জোহর কপকি মাঙওইননা পাঙথোক্কদবা কেম্পতা শরুক য়াগদবা জুনিয়র হোক্কি শান্নরোইশিংগী মমীং লাওথোকখ্রে

*নিউ দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ*

সুল্টান ওফ জোহর কপকিদমক মাংওইননা বেঙ্গলুরুদা থা অসিগী ১৭তগী হৌগদৌরিবা নুপাগী জুনিয়র নেস্নেল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগদবা হোক্কি শান্নরোহ ২৫গী মমীং লাওথোখ্রে।

মালেসিয়াগী জোহোর বাহরুদা ওক্তোবর ৬তগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮শুবা সুল্টান ওফ জোহোর কপকিদমক শেম শাবা ওইনা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেস্নেল কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অসি কোচ জুদ ফেলিক্সকি মখাদা ত্রেনিং চত্থগদবনি।

সুল্টান ওফ জোহোর কপকি ইকোন কোনবা ইদিসনদা ইনিদয়াগী নুপা জুনিয়র টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবদা শরুক য়াখিবা পনকজ রাজাক, সুমন বেক, হরমনজিট সিংহ অমদি মনদীপ মোর য়াওনা মেম্বর ৮ নেস্নেল কেম্পকিদমক মমিং খনগৎপদা য়াওরে।

ইন্দিয়া জুনিয়র টিম শেম্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেস্নেল কেম্প অসিদা ইহান হান্না শরুক য়াগদবা ইনৌ নৌবা নহা ওইরিবা শান্নরোই কয়া অমসু নেস্নেল কেম্প অসিদগীদমক খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোকপদা য়াওরি।

কোচ জুদ ফেলিক্সনা শান্নরোই ২৪ অসি নেস্নেল কেম্পকিদমক মমিং লাওথোকত্রিঙৈদা হান্নানিংথিনা য়েংশিনখি অমসুং ইন্দিয়া হোক্কি টিমগী কেপটেন ওইরম্বা জুদ ফেলিক্সনা শান্নরোইশিং অসিবু সুল্টান ওফ জোহোর কপকিদমক নিংথিনা শেম শানবা ত্রেনিং পীগদৌরিবসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়না থাজবা থল্লি।

লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা ইন্দিয়া সেনিয়র টিম ওইনা লৈবাক অসি মহুৎ শিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা কেম্পরশিং অসি খনগৎপনি। শান্নরোইশিং অসিনা ৱার্ল্ডগী অফবা টিমশিংগী মনুংদা অমা ওইবা ঙম্নবা মখোয়বু শেম্বীবা অসি য়াম্নমক ঐখোয়গী ওইনা মরুওইবা অমনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

শান্নরোইশিংদা লৈরিবা মশা মশাগী হৈথোই শিংথোইবা, মশা মউ ফনা থম্বা, লমজেল য়াঙনা চেনবা ঙম্বা লোয়ননা পুক্নিং ৱাখল ফগৎহনবদা অকনবা মিৎয়েং থমদুনা নেস্নেল কেম্প অসি চত্থগনি হায়নসু কোচ অসিনা হায়রি।

মেম্বর ২৪গী স্কৱাদ অদুদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংদি গোলকিপ্পরদা পনকজ কুমার রাজাক অমসুং কমালবির সিংহ, দিফেন্দরদা সুমন বেক, মোহম্মদ ফরাজ, সোমজীট, মন্দীপ মোর, পরমপ্রীট সিংহ, ভারিন্দর সিংহ, লুগুন সাইরিল, মিদফিল্ডরদা গ্রেগোরি জেস, য়াসদীপ সিৱাচ, হরমনজিট সিংহ, ভিসনু কান্ট সিংহ, গোপি কুমার সোনকর, ভিসাল অন্টিল অমসুং হাসপ্রীট সিংহ, ফোরৱার্দতনা গুরসহাবসিংহ, অমনদীপ সিংহ, অভিলাস ষ্টেলিন, অভিসেক, ঐচ মনি সিংহ, প্রবজোট সিংহ অমসুং সীলানন্দ লাক্রানি।



*ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি শান্নরোইশিংনা ত্রেনিং চত্থবা*

Government of Manipur
Office of the Deputy Registrar of Societies (Imphal West)
**NOTICE**
Dated, 16th September, 2018

No.Prop/SR/IW/2018:- It is hereby notified to all concerned that an Organisation/Association namely "TENGBANGBA GROUP" Mayang Imphal Anilongbi has been put upto the office of the undersigned for registration under Manipur Societies Registration Act, 1989.

As such all the interested person are requested to give objection to the registration or to join as a member of the Organisation/Association within 20 (twenty) days from the date of publication of this notice.

Objection/Complaint after this stipulated period shall not be entertained.

Sd/-P. Memi Devi,
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

[illegible] / REGISTER তৌজরগনি

TENGBANGBA GROUP কৌবা Mayang Imphal Anilongbi দা লৈবা গ্রুপ অসি অথুবা মতমদা রেজিষ্টার তৌজরগনি। কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা নত্রগা য়াওনীংবশিংনা পাউচেদা হাপ্পীবদগী নুমিৎ ২০নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা নত্রগা য়াওবীবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা কমপ্লেন লৌজরোই।

Sd/- *Secretary*
TENGBANGBA GROUP
Mayang Imphal Anilongbi

SL/Bill(PH)

## পুজারা অমসুং জাদেজা বিজয় হজারে ট্রোফিগী সৌরাষ্ট্রগী স্কৱাদতা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমদা মরুওইনা শান্নরোই ওইবা শরুক য়ারিবা চিটেশ্বর পুজারা অমসুং রবিন্দ্র জাদেজা বিজয় হজারে ট্রোফি শান্নগদবা সৌরাষ্ট্রগী স্কৱাদতা য়াওখ্রে।

পনবা য়াবদি সৌরাষ্ট্রগী টিম টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীদা শান্নখিবদা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখিবনি। সৌরাষ্ট্রনা বিজয় হজারে ট্রোফি অসিগী অহৌবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৯দা উত্তর প্রদেশকা ন্যু দিল্লিদা শান্নরগনি হায়না সৌরাষ্ট্র ক্রিকেট এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা সৌরাষ্ট্রগী টিম্না মেটচ ৮ শান্নগনি। সৌরাষ্ট্রগী টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা চিটেশ্বর পুজারা টেষ্ট ফোর্মেটকী স্পিসিয়েলিষ্টনি অদুগা রবিন্দ্র জাদেজানা ওল রাউন্দদরনি।

## স্পেনগী লা লিগাদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং এঠলেটিক বিলবাউ ১–১দা দ্রো চৎখ্রে

*মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ*

স্পেনগী মকোক থোঙবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নমেন্ট লালিগাদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং এঠলেটিক বিলবাউ পাঞ্জল ১–১দা দ্রো চৎখ্রে।

টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অদুবু শান্নবগী ৩২শুবা মিনিটতা এঠলেটিক বিলবাউগী শান্নরোই আইমুনিয়াইননা মেটচকি অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০দা হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনখ্রবসু মায়পাকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা এঠলেটিক বিলবাওনা রিয়েল মাদ্রিদপু ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকিনা ৬৩শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকি মরুওইবা শান্নরোই ইস্কোনা ইক্বেলাইজর পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচকি লেমহৌবা মতমদা মায়কৈ অনিদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নখ্রবসু মখা তানা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অদু ১–১দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

লা লিগা ফুটবোল টুর্নামন্টে অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ভিলারিয়েলনা লিগেন্সপু পাঞ্জল ১–০দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনিমক লম্বা মান্ননা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা চত্থনখিবা এটেকশিং অদু মায়পাকপা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অদুবু মেটচকি অনিশুবা হাল্ফকি ৬৫শুবা মিনিটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই সিবাক্কানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা লিগেন্সকী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনদুনা শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দাকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ভিলারিয়েলনা লিগেন্সপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।